Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	82.724139
US Dollar	75.655439
British Pound	94.021810
Australian Dollar	48.529570
Chinese Yuan Renminbi	10.711764
Japanese Yen	0.707677
Malaysian Ringgit	17.544789
Singapore Dollar	53.392390
South Korean Won	0.061772
Saudi Arabian Riyal	20.174784
Thai Baht	2.338593
Myanmar Kyat	0.05414
Bangladesh Taka	0.89186

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45498.00
Mumbai	–	Rs	45705.00
Delhi	–	Rs	45659.00
Kolkata	–	Rs	43827.00

GAS NEWS

GBD, LAMLONG
Booking Upto: 17/01/2020
Valid From: 02/01/2020
Stk: 196
All Customers are Home delivery
Working Hour:
07.30 am-12.00 noon
Contact No. for Refill order & Enquiry only 7629947179
Contact No. for Booking only- 7629947187

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 21/02/2020
Valid From: 19/02/2020
SMS Booking: IOC <SPACE> 03852444677 <SPACE> Consumer No. Send to 9089024365
Home Delivery only
Booking Only: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866 (Call+Whatsapp)
Timing: 08.00 am-12.00 noon

K & K INDANE SERVICE
Booking Upto: 24/02/2020
Valid From: 16/02/2020
Timing: 07.30 am-11.00 am
For Telephonic Gas Booking
Call & Wahtsapp Mobile Nos.
8794267533/8729879017
Timing: 08.00 am-12.00 noon

KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Sl. No. Upto – 68703
Booking Upto: 27/01/2020
Home Delivery Only
Contact No: 9366471778

KHONGNANG (BISHNUPUR)
Booking Upto: 14/01/2020
Valid From: 07/01/2020
Please Contact: 7085412234/7085412126
Timing: 07.30 am-10.30 am

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto: 11/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Stk: ***306***
Home Delivery Service
Contact Nos.
1.Dilip: 6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C)
2.Ajay:7005667570 (Thanga A/C)
3.Rojen:8787381746(Kumbi A/C)
Booking Contact No.
7085972248.
Timing: 8 am – 12 noon.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 02/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8730954041/8259969582, 7005728461
Contact Timing:
07.30 am -11.00 am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 05/03/2020
Valid From: 14/02/2020
Only Home Delivery
For Delivery Please Contact:
7085738631/8119967523
Call Timing: 8 am – 4 pm

TDK SEKMAI
Booking Upto: 11/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Home Delivery Only,
Contact No.:
8837269355/6909614353

HIYANGTHANG INDANE
Sl. No.: 151–350
Booking Upto: 07/02/2020
Home Delivery Nos.
6009260971/6381538861
Call Timing: 7.30am - 11 am

M/S Lambodara indane SERVICE
Booking upto 07/03/2020
Delivery date 05/05/2020
Home Delivery only.
Contact : 70053 82686
for booking from 8 am 11:30 am

খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা ক্লবশিংনা মমল হোংনা মীয়ামদা পোৎ-চৈ ফংহন্নিংবা য়াওরবদি তানবিয়ু : কঞ্জ্যুমর্স ক্লব

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা মমল হোংনা মীয়ামদা পোৎ-চৈ ফংহন্নিংবা য়াওরবদি কঞ্জুমর্স ক্লব মণিপুরগা তান্নবিয়ু হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট টি ফুলচান্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম পুম্বদা অমদি মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অৱাবা চৈথেং মায়োক্লদুনা লৈরি। ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা লোকদাউন লাউথোক্লুনা কনাগুম্বা অমত্তা চথোক চৎশিন য়াহন্দনা লৈরি। তাঞ্জা অসিদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়োল্লিবা মীওই কয়ানা লৌনিংবা মমল লৌদুনা য়োল্লি।

মণিপুরগী কৈথেলশিং, দুকানশিংদা পোৎ-চৈ মরাং কয়ানা লৈ। নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম খরদা মণিপুর লৈঙাক্লা মমল লেপ্পুনা মীয়ামগী খুদোংচানবা অমদি কঞ্জুমরশিংগী রাইট ফংনবা হোৎনরি। মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা দুকানশিংনা লৈঙাক্লা থল্লিবা মমলশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা য়োল্লিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি।

কঞ্জুমর ক্লব মণিপুরনা য়েংবা অমদি মীয়াম্না ৱাকৎলকপগী মতুং ইন্নদি লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমলদা দুকান্দারশিংনা পোৎ-চৈ য়োন্দে। লৌনিংবা মমলদা লৌদুনা য়োল্লি। য়োমশিন্দুনা য়োনবা পোৎ-চৈশিংদা মশাগী পেকেট অদুদা থাদুনা য়াওরবা মমল অদুদগী ফাওবা হেনগৎনা য়োল্লি। লুপা ৫ পীবা পোৎতা লুপা ২০দা য়োল্লি। থুম কে জিদা লুপা ৯ পীবা অদু লুপা ১৫দা য়োল্লি হায়বগী পাউ লৈরি।

হৌজিক মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌনরি। লৈঙাক্লা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল মোনিটর তৌদুনা লেপ্লিবা অসি কুপথনা অমদি তোইনা মোনিটর তৌদুনা লৈহন্নিংই। লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমল অসিদগী হেন্না হোংনা হোলসেল দুকানশিংনা ফংনরি। হোলসেল দুকান ফল্লিবা খুদিংমক্লা মসিগী মথক্তা ইসেন্সিএল কমোদিটি এক্টকী মতুং ইন্না লৈরিবা ষ্টোকশিং অমদি মমলশিং নীংথিনা থেৎতুনা থম্বা থেংনদ্রি। লৈঙাক্লা অমদি ইম্ফাল চেম্বর ওফ কর্ম্মসনা শীন্দুনা দুকান খুদিংমক্লা পোৎ-চৈগী মমল অমদি ষ্টোকশিং নুংতিগী ওইনা থেৎকদবনি। লৈঙাক্লা লেপ্লিবা পোৎ-চৈগী মমল খুদিংমক্কী ওর্দর থোক্লিঙৈগী মমাংদা থোক্কদৌরিবা ওর্দর অদু মুন্না য়েংবিয়ু, অশোই অরাক য়াওহনবীগনু। দুকানশিংদা য়োল্লিবা পোৎ-চৈশিংগী মমল থেৎতনা য়োনবা য়াওরি। মসিসু শোইদনা থেৎকদবনি।

দুকান্দারশিংনা লোবু থুগাইরোইদবনি। লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমল অদু ইম্ফালগী চেম্বর ওফ কর্ম্মসনা শীন্দুনা দুকান খুদিংমক্তা থেৎহনগদবনি। থেৎতবা দুকানশিং খঙদোক্লগা চৈরাক পীগদবনি। এপ্রিল ২৩দা থোকখিবা ওর্দরদা য়াওরিবা হৱাই মঙ্গল, কংতক কে জি ১০০দা লুপা ৭৩০০ হায়রগা চোইনা য়োনবদনা কে জিদা লুপা ৬৮ হায়রিবা অসি নুংঙাইতে। মসিনা তাকপদি লৈঙাক্লা মোনিটর তৌবা অমদি থবক তৌবদা ফজনা তৌদ্রে হায়বনি।

লৈঙাক্লা লেপ্লিবা হোলসেল রেট অসি মার্কেটকী রেটকসু মান্নদে। মার্কেট রেটনা হেন্না নেম্মি। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদগী হেন্না য়োল্লি। দুকান ফল্লিবা ইচিল ইনাওশিংনা লৈবাক্কী অৱাবা য়েংলগা মীয়ামদগী মমল হেন্না লৌদুনা পোৎ য়োনবীগনু। দুকানশিংনা পোৎ-চৈ য়োনবগী চৎনা কাংলোন ঙাক্লা য়োনবিয়ু। দুকান্দারশিংনা হোলসেল দুকান্দগী য়োন্নবা পোৎ-চৈ লৈরুবা মতমদা পোৎ-চৈশিং অদুগী মমল ইবা চল্লাল লোয়নগদবনি। বিল য়াওরমদবা অমদি লৈরমদবা থোক্লবদি মদুদা থোক্লকপা মীয়ামগী ৱাকৎশিং অদুগী তেকচাক দুকানশিংনা পুগদবনি। মীয়াম্মসু পোৎ-চৈ লৈদ্রিঙৈদা লৈগদৌরিবা পোৎশিং অদুগা পীগদৌরিবা মমল অদুগা চান্নব্রা হায়বদু য়েংবিয়ু। য়োমশিন্দুনা য়োনবা পোৎলমশিংদা থারিবা মমল অদুদগী হেন্না পীরগা লৈবিগনু। খুদোংচাদবা অৱাবা, মমল হেন্না লৌখিবগী নুংঙাইতবা লৈরবদি কঞ্জুমর ক্লবতা পাউ পীবিয়ু। মণিপুরগী খুঙ্গংশিংদা হকথেংননা লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমলদগী হন্থনা ফংহন্নবা হোৎনদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা হেদ ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা পোৎচৈ ফংহনবা হৌখ্রে। মখা তানা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু ফংহনখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লোকদাউনগী অৱাবা য়েংলগা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক চথনরি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শনে দারকপা থিংনবা মতম শাংনা লোকদাউন তৌদুনা লাকপা অমদি ঙসিদগী অমুক হন্না অহুল্লক শুবা ওইনা চয়োল ২ লোকদাউন শাংদোরকপদগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা মতেং পাংবা ওইনা তেকচম গ্রাম পঞ্চায়টতা পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান লাংপোকলাকপম ইবোয়াইমনা মেম্বর ১২গা খুৎশম্নদুনা ঙসিদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমুক হন্না য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোল্লিবা ৱার্দ ১২দা লৈরিবা খুলশিং অদুদি লংথবাল খুনৌ, পাপল অমসুং তেকচমগী মীয়ামদা চেঙনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদু তেকচম মনিং চীংদগী হৌরগা মশা মশাগী থোঙ্গালদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা লৈহন্দুনা য়েন্থোকখি।

তেকচম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা হান্নসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রবনি। অদুমকপু ঙসিদগী অমুক হন্না অহুল্লক শুবা ওইনা লোকদাউন শাংদোরকপা অসিদগী প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা লন্নাই পৈশা পুথোক্লগা মীয়ামগী অৱাবা য়েংদুনা মতেং খরা অসি পাংবনি হায়না তেকচম জি পিগী প্রধাননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু লৈখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা মতেং পাংবগী থবক অসি চথবনি হায়রি।

অমরোমদা, ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএবল পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর, দিসএবল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরনা লোকদাউনগী অৱাবা য়েংলগা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী মখা চথরকপা ওইনা ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না থৌবাল খুনৌদা লৈবা দিসএবলশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে হায়না এস পি দি পি ওগী প্রসিদেন্ট য়ুনুস খাননা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনুস খাননা ফোঙদোকখিবদা য়েন্থোক্লিবা পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা অলু, হৱাই, থাও, থুম, মোরোক, সাপোননচিংবা কয়া য়াওরি। তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমদি ফেরজোলনচিংবদসু ঙমজবা পোৎলম কয়া মতেং পাংগে হায়না খল্লি। পোৎলমশিং অসি পীবা চৎপদা দিসএবল সার্টিফিকেট পায়রগসু লৈঙাক্লা হৌদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাংগী মনুং চল্লিবা ক্যেরগিভর ফংবা য়ারবা মীওই কয়া ফংলমদনা লৈরমখি, সার্টিফিকেট কয়া অমসু লৈরমখি।

দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈরিবা দি এস দল্লীয়ু ওশিং এৱ্যেরনেস ৱাৎলে হায়বা তাকপনি। মিনিষ্ট্রিগী ফন্দ লৌরিবা কয়াদসু তুমিন্না লৈবা, দিসএবলশিংগী স্কুলনি হায়রগা মহৈরোয় লৈফম থোকপা লৈতবা কয়াসু য়াওরি। দিসএবল কয়াগী ৱেলফ্যেরদা থবক তৌরগা অসিগুম্বা তানফম অসিদনা তুমিন্না লৈবসি মশাগী ওইজবা থিবা এন জি ও তৌবা কয়া লৈরব্রা হায়না চীংনদবা ঙমদে।

এসোসিএসন অসিনা টিম অমা অথুবদা শেম্লগা অশেংবা অদু থিদোক্লগা মিনিষ্ট্রিদা চে থাদুনা খঙহল্লগনি। দিসএবলশিংবু লল্লোলপোৎ ওইনা উবিদনা থবক তৌমিন্নসি। দিপার্টমেন্টনা রিপোর্ট থাবদা অশেংবা অদু থাবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

এম জি এন আর ই জি এগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা চাঙমদবী জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৪ লোকেল দিভলপমেন্ট কম্মিতিনা শীন্দুনা ঙসি শগোল্লৌ লম্পাক্তা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা এম জি এন আর ই জি এগী জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা পীফম থোকপা খুৎশুমল পীবিদবা অমসুং জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী বেঙ্ক পাসবুক পীথোকপীদবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ভারত সরকারনা মীপুম খুদিংমক চহী অমদা নুমিৎ ১০০নি এম জি এন আর ই জি এগী খুত্থাংদা থবক পীনবা পায়খৎলবসু ৱার্দ অসিগী জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী ওইনদি ৱাখল লায়না নাখ্রবা স্কিমগা পাঙ্খক ওইরে। জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা কার্দ অমদি পাসবুক পীথোকপিদ্রি। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চংবীদুনা কার্দ হোল্ডরশিংদা ফংফম থোকপা দোক্যুমেন্টশিং অমদি খুৎশুমল ফংহনবীয়ু হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লোকেল দিভলপমেন্ট কম্মিতি ৱার্দ নম্বর ৪গী সেক্রেটরী এম দি অমির খাননা ফোঙদোকখিবদা চাঙমদবী জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৪ জোব কার্দ কম্মিতি শাগোল্লৌ হায়বা কম্মিতি অমা শেমখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা মশা মশাগী কার্দ অমদি বেঙ্ক পাসবুক অথুবদা শীন্নহনবা, মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহনবা, কম্মিতিনা লৌরকপা মতম মতমগী ৱারেপ্তা অমত্তা ওইনা শৌগৎমিন্নবা হায়বা ৱারেপশিং য়াওরি হায়রি।

থৌবাল তুরেলদা লোনা য়াদবা মওংদা নুঙ লৈঙোই পেকপদগী ঈশিং লৈনাং চেল্লে : কম্মিতি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

লোকদাউনগী খুদোংচাবা লৌরগা থৌবাল তুরেলদা লোনা য়াদবা মওংদা মফম কয়াদা নঙ লৈঙোই পেকপদগী তুরেল ঈশিং লৈনাং ওইনা চেল্লে হায়না থৌবাল রিভর কঞ্জার্বেসন কম্মিতিগী কনভেনর টি ঐচ ইনাওচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, টি আর সী সীগী থৌমীশিংনা লোন্না য়েংশিনবা চৎপদা মফম কয়াদা মেছিন শীজিন্নদুনা নুঙ লৈঙোই পেকপা থেংনরে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন থমখিবদগী নোংমগী শুরগা চাবা, ঈশিং লৈবা ঙমদবা ইমুং লিশিং কয়া কোক্তা খুৎ হাপ্পরে। লৈকায়গী পুখ্রি কংবা মতম ওইবনা হেন্না অৱাবা ওইরে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা কোভিদ-১৯ লাম্হেংনবগী থবক কয়া পায়খৎলি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা থবক চিনবা অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা অরানবা থবক অসি অমুক হন্না চথরকপনি। থৌবাল তুরেল য়াওনা লমদম অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিংদগী নুং লৈঙোই পেকপা থিংলিবনি। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংনা পীখিবা নুং লৈঙোই পেকপগী অয়াবশিংসু চথহনখিদ্রবনি। ফিভম অসিদা মীৎয়েং চংবীয়ু।

ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী থৌগাই পুরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েংসু চিংশিল্লি। তুরেল অসিনা চেল্লিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি লো ইনফোর্সিং এজেন্সীশিংদা ৱাকৎতুনা কোভিদ-১৯ লায়নাগী লুরবা মতম অসিদা মখোয়গী মতম মাংহল্লোই। টি আর সী সীনা মীয়ামগা লোয়ননা অসিগুম্বা থবক তৌরিবা অসিদা শরুক য়ারিবশিং, এক্সকাভেটরশিং, ট্রক অমদি টিপরশিং লম্বীদা লাকপদা ফারগা অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা য়েংশিনবীয়ু। গাড়িশিংগী অকুপ্পা মরোল কোর্টতা পীশিনগনি।

থৌবাল তুরেল অসিদা হৌজিক মফম কয়াদা মেছিন ফাওবা শীজিন্নদুনা নুঙ লৈঙোই পেকপা অমদি ঈশিংদা চামশিল্লকপা অসিনা লৈনাং ওইনা চেল্লকপনি। তুরেল অসিগী ঈশিং শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ঈশিং লৈবা ঙমদবা লাইরবা ইমুং কয়াদি তুরেল অসিগী ঈশিং শীজিন্নদুনা হিংলিবনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা তুরেল অসি লৈনাং ওইনা চেল্লকপনা মরম ওইরগা অৱাবা ফিভম অমা লাক্লে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

নুপী অমা মৈনা চীংবদগী লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক পাৱর সব দিভিজনননা কোনবা অঙথা খুঙ্গংদা তিংবা ঐচ টি লাইন তৎতুনা এল টি লাইনদা তাশিনবদগী ৱায়র কয়া পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা মৌ নহা অমা মৈনা চিংবদগী লায়কন্নখ্রে। য়ুমগী পোৎচৈ কয়া অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অঙথা ময়াই লৈকায় অমদি অঙথা মনিং লৈকায়দা য়ুম য়ুমদা পুশিল্লিবা ৱেয়রশিং য়াওনা ইলেক্ট্রিক লাইন কয়ামরুম পোকখায়বতা নত্তনা য়ুম ২৩০ মুক্কী ইলেক্ট্রোনিক আইটেমশিং পোকখায়দুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

চহী ৩০ রোমগী মৌ নহা থিয়াম রোমিতা দেবী মপুরোইবা থিয়াম শান্তা সিংহ কৌবা অমা মৈনা চীংবদগী য়াইরিপোক সী ঐচ সীদা অহানবগী ওইনা লায়েংলবা মতুং জেনিমস হোস্পিটালদা মখা তানা লায়েংনবা থমখ্রে হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক থোকফম অদুদা অঙথা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থিয়াম মনিহল, ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী হান্নগী অধক্যা কে তোম্বী অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং য়াওনা য়েংশিনখ্রে। প্রধান মনিহলনা মীয়ামগী অৱাবশিং অদুদা শরুক য়াদুনা মীয়ামগী নুংঙাইতবা কয়া অদুদা অৱাবা ফোঙদোকখি। মরী লৈনবা লোইশঙগী মীওইশিংগা লোয়ননা অথুবদা শেমজিন্নবা হোৎনগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা থমখি।

অঙথাগী মীয়াম্না লমদম অসিগী ইলেক্ট্রিক লাইন অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা শেম্বীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি। ইলেক্ট্রিক লাইন অসিনা ফিভম চাদনা লৈরিবা অসি অথুবদা নীংথিনা শেমজিনবীয়ু হায়বা ৱাফমশিং থমখি হায়রি।

'মীয়ামগীদমক থবক তৌরিবা মিদিয়াগী মীওইশিংবু ইকায় খুম্নে'

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

মালেমগী প্রেসকী নীংতম্বা নুমিৎ লাকপগা ইরোইননা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা মীয়ামগীদমক থবক তৌরিবা মিদিয়াগী মীওইশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎলি হায়না লাংমৈথেট য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরো অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা প্রেসকী মীওইশিংনা অকিবা লৈতনা মীচং মীখাই নাইদনা থবক তৌরি। প্রেসকী মনিং তম্বা অদু চপ চানা পীদুনা থবক তৌবা ঙমহন্নবা মরী লৈনবশিংদসু অপিল তৌরি। হৌজিক মালেমদা অমদি লমদম অসিদা কিনরিবা কোভিদ-১৯ থেংননবা অমদি শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবদা মশাগী ওইজবা পুম্নমক থাদোক্তুনা অহিং নুংথিল নাইদনা থবক তৌরিবা প্রেসকী মীওইশিংবু নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইকায় খুম্নবা উৎলি।

প্রেসকী মীওইশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নসি। মখোয়গী অৱা-অনা তারকপদা অমত্তা ওইনা অঙম্বা মতেং পাংমিন্নসি। প্রেসকী নীংতম্বা য়াওদনা লমদম অমা চাওখৎপা হায়বসি ওইথোক্লোই। লৈঙাক অমদি মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থল্লিবা অসিসু প্রেসকী মীওইশিংননি হায়বা হায়মনবা থোক্লোই। লৈঙাক অমদি মীয়াম্না উবা ঙমদবা অমদি চৎলুবা ঙমদবা মফম কয়া প্রেসকী ইচিল ইনাওশিংনা য়ৌশিন্দুনা মীয়ামদা খঙহল্লি।

প্রেসকী মীওইশিংনা অকিবা লৈতনা অনা-অয়েক য়াওদনা মীয়ামগী থবক মখা তানা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিরি হায়রি।

অথিংবা থম্লে : ক্লব

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

চাইথবী লৈরক্তা হেভি ভেহিকল চঙবা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থম্লে হায়না সোসল ষ্টেন্দার্দ ক্লব খুরাই নান্দেবম লৈকায়, চাইথবী লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিতি অমদি কংলৈ নহারোল য়াইফ থৌগল লুপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুরাই নান্দেবম লৈকায়দা লৈবা উখুল রোদ অমদি পাঙ্গৈ রোদ শম্নহল্লিবা য়াম্না মরু ওইবা চাইথবী লৈরক অসি দ্রেন চনবগী থবক লোইশিন্দবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা থেংনরি। খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা মতম খরগী ওইনা চাইথবী লৈরক্তা অচৌবা মখলগী পোৎ পুবা গাড়িশিং থা অসিগী ৬তগী হৌরগা দ্রেন শেম্বা লোইদ্রিবা ফাওবা চঙবা অথিংবা থম্লগনি। দ্রেন চনবগী থবক লোইশিন্দনা লৈরিবা অসিনা গাড়ি চংবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি হায়নসু মখা তারি।

শন্দংশেনবা মরিং ভিলেজতা মপুং ফানা মতেং ফংহনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন তৌখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা শন্দংশেনবা মরিং খুলদা লৈঙাক্লা পীবা মতেং মপুং ফানা ফংহনখ্রে। কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না ভোট থাদরিবা, এল এল এগী মায়কৈদগী চেঙ পীরক্লে হায়না সন্দংশেনবা মরিং ভিল্লেজ ওথোরিটিগী প্রসিদেন্ট অদুম মরিংনা ফোঙদোরক্লি।

অন্দুংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাউচে অসিদা ফোংখিবগী মতুং ইন্না পোৎলমশিং ফংহনবিরে। আইলেন্দ ব্লোক্কী এস দি ওগী মখাদা খুল অসিনা চেঙ পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। লৈঙাক্লা পীবা চেঙ খুল অসিদা চপ চানা ফংহল্লে। কৈরাও এ সীগী এম এল এনসু এ সী অসিগী ফংফম থোকপা চেঙ পীরক্তুনা ঙরাং য়েন্থোকখ্রে। মসিগীদমক পাউ চে অসিবু থাগৎলি। খুল অসিগী চেঙ ফংহনবা অসিগীদমক আইলেন্দ ব্লোক্কী এস দি ও অমদি কৈরাওগী এম এল এবুসু থাগৎলে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লংথবাল নিংঙোম্বম জি পিগী মেম্বর এন ইবেচাওবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ থেংননবা মার্চ ২৫দগী চথরকপা লোকদাউননা রমম ওইরগা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা অৱাবা খাংলিবা জি পি অসিগী ৱার্দ নম্বর ১গী য়ুমথোং ২১০ ৱার্দ অসিগী মেম্বরনা ঙমজবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। পোলম য়েন্থোকখিবা অদু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চথখি।

মীয়ামগী অৱাবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

দেসাম, এইমসনা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মপানদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং লৈঙাক্লা হলহল্লক্লবা অকনবা থৌশিল থৌরাং পায়খৎলকপা অসি দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমদি অপুনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শীনপাং লুপ (এইমস)গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরী রিসিকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, গুৱাহাটিদগী মণিপুরী মচা মীওই ৮৪ পুরকখিবা অদুদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা গাড়ি থৌখিবশিংবুসু দেসাম অমদি এইমসনা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মীওই ৮৪ অসিগী গাড়ি অতোংমল লুপা ৩০০০/৩০০০ লৌরিবা অসি লৈঙাক্লা পুথোক্তুনা অমুক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হনে দাকপীয়ু।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অসিনা লল্লোল ইতিক তৌবা য়াওনা অতৈ থবক থৌরম লেপখিবনা শেল-থুমগী ফিভম খম থেংনা ৱারবা তাঞ্জানি। তাঞ্জা অসিদদি মপান লমদা লৈখিবা মণিপুরীশিং হল্লক্লবগী থৌদাং লৈঙাক অমগী থৌদাংনি। অৱাবা তারবা মীওইশিংবু অতোংমল পুথোকপীরগা চপ চাবা থৌদাং লৌহন্নিংই। এস সী খরগী এম এল এশিংনা মাগী মাগী এ সীগী মীওইশিং লাকপগী অচংবা শেল পুথোক্লনি হায়বনচিংবা হোৎনরিবসি থাগৎলি। চিরবা তানফম অসিদদি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী খেন্নবা থমদনা চপ মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংদুনা লৈঙাক অসিনা পাম্বোম তিংহন্নিংই হায়রি।

লুপা লাখ ৯.৩০ রোমগী মিথা মনা অমদি জর্দা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

সেকমাই পুলিসনা লোকদাউন মনুংদা ফাগৎখিবা লুপা লাখ ৯.৩০ রোমগী মিথা মনা, জরদানচিংবা কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না ঙসি মহারাবি চীংজিনদা মৈ থাবগা লোয়ননা লৈনুংদা ফুমদুনা মাংহনখ্রে। এস দি সী সেকমাই, সেকমাইগী কাউন্সিল্লর, সেকমাই পুলিস অমদি মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জা কয়া য়াওনা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা মিথা মনা অমদি জরদানচিংবা মৈ থাদুনা লৈনুংদা ফুমখি।

থৌরম অদুদা সেকমাই পুলিসনা ফোঙদোরকপদা এপ্রিল ২৫গী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা তিলহৌ পুরকপা ট্রক অমা চেক তৌবদা তিলহৌগী মরক্তা মিথা মনা পোলাং ৩০ রোম য়াওরম্বদগী ফাগৎখি। মিথা মনা অদু পুরকপা গাড়ি দ্রাইভর য়ু পিদগী জারিস মহমদ কৌই। মহাক এপ্রিল ২৬তা দ্যুতি মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী মমাঙদা পুথোক্লগা জুদিসল কষ্টদিদা পীদুনা ক্বরেন্টিন তৌদুনা থল্লি। মঙোন্দগী ফাগৎখিবা মিথা মনা পোলাং ৩০ অদু লুপা লাখ ৯ রোমগী ওইগনি হায়রি।

সেকমাই পুলিসনা মখা তানা এপ্রিল ২৬কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা মহিন্দ্র জিপ এম এন ০১ কে ৮২০৩দা পুশিল্লকপা হিদাক মনাগী পোৎলম পুন্না লুপা লিশিং ৩০ রোমসু ফাগৎখি। গাড়ি অদু থৌরকপা দ্রাইভর মোটবুংদগী সসিনলেন (৩২)নি। মথংগী নুমিৎতা জুদিসল মেদিষ্ট্রেট ফর্স্ত ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুথোক্লগা নুপা অদু বেলদা থোকখ্রে। মঙোন্দগী ফাগৎখিবশিং অদু পুন্না লুপা লিশিং ৩০ রোমগীনি। সেকমাই পুলিসনা মখোয় অনীগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা কেস অনী লৌখৎখ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিল মহারাবী চীংজিনদা মিথা মনা অমদি জরদা মৈ থাদুনা মাংহনখি। সেকমাই পুলিসনা ফাগৎলকখিবা পোৎলমশিং অদু ঙসি মৈ থারবা মতুংদা লৈনুংনা ফুমজিনখি। ক্বা মনা মৈ থাখিবা অদুদা সেকমাইগী কাউন্সিল্লর, এস দি সী অমদি সেকমাই পুলিসকী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং পুশিল্লকপগী...

লামায় ১গী মখা... হোৎনবদা লুপা ক্রোর ৫দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা চংগনি হায়না পায়। হায়রিবা শেনফমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা পুথোক্লগা মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরী মীওইশিংসু পুথোক্লবা খোঙথাং পায়খৎফম থোকই। মশা মশাদগী শেল লৌবা চুল্লোই।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদসু লৈঙাক্লা শেল পুথোক্লগা ষ্টেটশিংদুগী মীওইশিং পুথোক্লরি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক অৱাবা মায়োক্লরিবা ফিভম অসিদা শু-নোম্লগা হিংলিবা মীওইশিং অশুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরে। মখোয়দা রিলিফকী মতেংশিং ফংহন্নবা হোৎনবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মৈতৈ লাঙ্গোলগী মীওই ১৭কী য়ূমশিং ইভিক্সন...

লামায় ১গী মখা... মখোয় লোয়নমক মফম অসিদা হৌখিবা চহী ৬০ হেনবগী মমাংদগী লৈরক্লবনি। মখোয়গী অহল-লমনশিংনা কুমজা ১৯৩৩গী মে ২৯দা মণিপুর দরবারনা ৱারেপ লৌরগা মসিবু মণিপুরগী মহারাজনা কনফর্ম তৌদুনা কুমজা ১৯৭২গী এপ্রিল ১৮দা থোকখিবা ওর্দরগী মতমদগী মফম অসিদা লৈরক্লবনি হায়রি।

মণিপুরগী মহারাজনা পীখিবা ওর্দর অদুদা মীওইশিং অসিনা লাঙ্গোল এরিয়াবু পীছফুল পোসেসন তৌবদা অয়েৎপা-অপনবা পীদনবসু খঙহল্লি হায়রি।

অদুম ওইনমক মমাং থাগী ২৯দা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং লাক্লগা পিটিস্নরশিং অসিদা চীনহায়দা মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অসি পুং ৪৮গী মনুংদা থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি। হায়রিবা ৱাফম অসি থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রগদি মখোয়গী য়ুমশিং থুদেক্লগনি হায়নসু খঙহল্লমখি হায়রি।

মরমশিং অসিদগী পিটিস্নরশিংনা ফোঙদোক্লিবনা মখোয়না লৈরক্লিবা লমশিং অসিগী এলোটমেন্ট পীননবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ৱেষ্টতা হায়জখিবা লৈরে। মসিগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-৬১২ ওফ ২০১৮ অমসুং ৮২০ ওফ ২০১৯গী ওর্দরশিং মথং শিংনা কুমজা ২০১৮গী জুলাই ১৩ অমসুং ২০ অমদি মমাংগী কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ৩ অমদি ২০দা পীখিবসু লৈখ্রে। মরম অদুনা পিটিস্নরশিং অসি মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অসিদগী ইভিক্সন তৌবীগনু হায়বসিনি।

পিটিসন অসি ঙসি কোর্টনা লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রোনা লেপ্লগা মহাক্কী জুনিয়র সয়েদ মুর্তাজা অহম্মদনা এসিষ্ট তৌখি। রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংনা পিটিসন অসিগী হিয়রিং থা অসিগী ৮দা পাঙথোক্লবা প্রেয়র তৌনরকপদা কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা নুমীৎসিদা হিয়রিং পাঙথোক্লবগীদমক কেস অসি লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুম ওইনমক হিয়রিং পাঙথোক্কদবা নুমীৎ অসি ফাওবদি পিটিস্নর ১৭ অসি ইভিক্সন তৌরোইদবনি হায়বগী ওর্দর পীখি।

সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং ফেস...

লামায় ১গী মখা... মতুংইন্না মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং করিগুম্বা লন্নাই গাড়ীদা চঙলক্কে হায়রবদি ওফিসল ৱেবসাইট www.tengbang.in দা য়াওবা ফোর্মেটতা মেনশিল্লগা shomemanipur@gmail.com দা মেইল তৌদুনা থারক্কদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা হাংদোকপা হোম দিপার্টমেন্টকী সেলনা পাস পীবগা লোয়ননা মীওইশিং অদু চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খূদোংচানবা মরী লৈনবা ষ্টেট পূম্নমক্তা পাউ পীখিগনি। এপ্লিকান্টশিংনা হৌজিক-হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অদুগী ৱেবসাইটতা রেজিষ্টর তৌদুনা পাস লৌবা মথৌ তাই। কনাগুম্বনা ট্রেন অমদি অতৈ পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টমগী খূত্থাংদা লাক্কে হায়রবদি www.tengbang.in দা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ষ্টেটকী ৱেবসাইটতসু রেজিষ্টর তৌগদবনি। মীওইশিং অদুনা হৌজিক-হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্লা ট্রেনশিং থৌরাং তৌগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা সিনিয়র ওফিসর খরা নোদল ওফিসর ওইনা খনখিবগা লোয়ননা এদিসনেল নোদল ওফিসর খরসু খল্লে। এদিসনেল নোদল ওফিসরশিং অদুদি মহারাষ্ট্রগা পাউ ফাওননবা অনুরাগ বাজপায়ী, আই এফ এস; অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনা এস এস সব্রা, আই এফ এস; তেলঙ্গনাগী ওইনা এ কে জোসী, আই এফ এস; ছটিশগরগী ওইনা জি এল বাইতে, আই এফ এস; দিল্লিগী এন দেবেন, দিরেক্টর (আই টি); রাজস্থান অমসুং গুজরাটকী ওইনা নিংথৌজম পারিথোইহেন মৈতৈ, সিনিয়র এফ ও; উত্তরখন্দ অমসুং লদাখকী ওইনা সোনিয়া ওইনাম, এম সী এস; পঞ্জাব অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওইনা মহমদ জিওর রহমন, এম এফ এস সী এফ ও; অসাম অমসুং গোৱাগী ওইনা অঞ্জলি চোংথাম, এম সী এস; অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দগী ওইনা লুশি হাওকিপ, এম এফ এস; ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিদ্যারানী অয়েকপম, এম সী এস; ত্রিপুরা, ওরিষা, ঝরখন্দ অমসুং দামন এন্দ দিয়ুগী ওইনা এন দেনিশ, এম এফ এস; হরিয়ানা অমসুং হিমাচল প্রদেশকী ওইনা কে বোনো, এম সী এস; মেঘলায়া, সিক্কিম অমদি দাদ্রা এন্দ নগর হভেলিগী ওইনা ৱাই ইন্দ্রকুমার, এম এফ এস; মধ্য প্রদেশ অমসুং চান্দিগরগী ওইনা এলাংবম সোনিয়া, এম সী এস; উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারগী ওইনা মহমদ রবান শাহ, এম এফ এস; তামিল নাদু, পোন্দিচেরি অমসুং অন্দামান এন্দ নিকোবরগী ওইনা রেজিনা হোংগ্রে, এম সী এস লোয়ননা কর্নাটাকা, কেরলা অমসুং লক্ষদ্বিপকী ওইনা ঙাঙোম রোমেন, এম এফ এসনি হায়রি।